ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯵, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯰꯹ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ফেব্রুৱারী ০৫, ২০১৮, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ৩০৯ শুবা মশীং

# অসামদা শেল থাদবশিংগী মীফম

## নেসনল পোলিটিক্সতা মণিপুর মচা য়াওহনসি

**গুৱাহাটিগী** সারুসোজাই ষ্টেদিয়মদা নুমিৎ নীনিগী ওইবা মালেমগী শেল থাদবশিংগী মীফম *এদভান্টেজ অসাম*গী থৌরম প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কয়ামরুম, ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ইনভেষ্টর কয়ামরুম শরুক য়াবদা নত্তনা ভুটানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেরিং টোগে, অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দু, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৬কী এম্বেসেদর অমসুং হায় কম্মিস্নরশিং শরুক য়াখি। ইন্দিয়াগী ইনভেষ্টরশিংগী মনুংদা রিলাএন্স ইন্দষ্ট্রি লিমিটেদকী চ্যেরমেন মুখেস অম্বানি, টাটা সন্সকী চ্যেরমেন এন চন্দ্রসেখরনচিংবা কয়ামরুমসু শরুক য়াখি। নোংমখক্তদা ইনভেষ্টর ১৭১না অসামদা শেল থাদনবগী খূৎয়েক পীনখি। টাটা গ্রুপনা অসাম গভর্ণমেন্টকা খূৎশম্নরগা অসামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কেন্সর ক্যের ১৭ লীংগনি হায়না টাটা সন্সকী চ্যেরমেন নটরাঞ্জন চন্দ্রসেখরন্না ফোঙদোকখি। টাটা গ্রুপনা অসামগা মতম শাংনা মরী লৈনদুনা লাকপা মরম্না ষ্টেট অসিদা কেন্সর লায়েংননবা মখল মখা কয়াগী ক্যের প্রোগ্রামশিং য়াম্না থুনা হৌরগনি হায়নসু লাউথোকখি। টাটা গ্রুপনা হীরম অসিগা মরী লৈনবা এম ও য়ু অমসু খূৎয়েক পীনখ্রে। লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ইনভেষ্টর রিলাএন্স ইন্দষ্ট্রি লিমিটেদকী চ্যেরমেন মুখেস অম্বানিনা রিটেল, পেট্রোলিয়ম, টেলিকোম, টুরিজম অমসুং স্পোর্টসতা শেল থাদগনি হায়না লাউথোকখি। মথং চহী অহুম ফাওবগী মনুংদা ইন্দষ্ট্রি অসিনা অসামদা লুপা ক্রোর ২৫০ থাদবগা লোয়ননা অসামগী মীওই লিশীং ৪০দা থবক পীগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। পূন্নমক অসিগী মথক্তা অসাম লৈঙাক্না নেসনল বিল্ডিং কন্সত্রক্সন কোর্পোরেসন লিমিটেদকা গুৱাহাটিদা ত্বিন টৱার সেন্তর অমা শান্নবগী খূৎয়েক পীনখি। ত্রেদ এন্দ কর্ম্মসতা য়ূম্ফম ওইগদবা ত্বিন টৱার অসি শাবদা লুপা ক্রোর ১,৯৫০ চঙগনি হায়না লাউথোকখি। মসিদসু নত্তনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী লম্বী থোং নিংথিনা শেমগৎনবগী রোদ মেপ অমসু য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা য়াৎথোক্কনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। এদভান্টেজ অসাম হায়না মীংথোনবা প্রোগ্রাম অদু করি মরমগী পাঙথোক্লিবনো হায়বা তারগদি অসিয়ন লৈবাকশিংগা লম্বী ফাওনবদা অসামনা ইন্দিয়াগী এক্সপ্রেসৱে অমা ওইহন্নবগী ফীভম শেমগৎপগী থৌশিল শেম্নবগীদমক্তনি। শম্না হায়রবদা ইন্দিয়াগী এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী কান্নবা লৌহৌনবা হৌজিক্তগী হৌনা অসামনা খোঙজেল য়াঙনা চেনখৎপা হৌরে হায়না লৌরবসু য়ারে।

লৈবাক অসিগী মরুওইবা ষ্টেটশিংগী মমিং পন্নবদা অসাম হায়বসি য়াওদবা য়াদে। লৈবাক অসিগী মীওই অয়াম্বনা মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশগুম্বা ষ্টেটশিংদি থোইনা মশক খঙদ্রগসু অসাম হায়বা ষ্টেট অসি মশক খঙই। নোর্থ ইষ্ট হায়রগা ইন্দিয়াগী মীয়াম্না মরুওইনা অসামবু খঙনৈ। লৈবাক অসিগী শেল থুমগী থৌশিল শেম্বদসু নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট পূন্নমক্তগী অসামনা চাকথুং হেন্না ফংই। মসিদসু নত্তনা লৈবাক্কী ওইবা অখন্নবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎলকপদা অসাম মীরাইথোকপা তৌদে। মসি করিদগী ওইরকপনো, মণিপুরদনা করিগী লৈবাক অসিগী মীয়াম্না নীংথিনা মীৎয়েং চঙবীদ্রিবনো হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্না নৈনগদবনি। অসামগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা খুদিংমক নেসনল পোলিটিক্সতা য়াওই। ষ্টেট অসিগী লোক সভাগী এম পি ১৪, রাজ্য সভাগী এম পি ৭ লৈবনা সেন্তরদা লৈঙাক পায়রিবশিংনা অসাম ষ্টেটপু মীরাইবা ঙমদে। মসিগীসু মথক্তা য়ু পি এ গভর্ণমেন্টকী মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা ডা. মনমোহন সিংহ অসামগী রাজ্য সভাগী এম পিনি। হৌজিক হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা সর্বনন্দা সোনোৱালসু চীফ মিনিষ্টর ওইদ্রিঙৈগী মমাঙদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা য়াম্না নকশিন্নরম্মী। অসুম্না অনৌবা লৈঙাকপু লাক্লবসু হৌজিক্কী লৈঙাকপু ওইরবসু অসামদগী এম পি অমা শোয়দনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা মিনিষ্টর ওইবা হায়বসি লেংদ্রবা থৌশিল অমগুম্না লাকই। মরম অদুনা অসামনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট পূন্নমক্তগী মখোয়না চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা হেন্না মাঙজিল থাবা ঙম্মী অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা শেল থাদহনবসু ঙম্মী। অদুবু মণিপুরগী ওইনা য়েংবা তারগদি কোংগ্রেসতবু ওইরবসু, বি জে পিদবু ওইরবসু নেসনলগী থাক্তা পোলিটিক্স তৌবগী চাং য়াম্না নেম্মী। টর্ম অহুম্লক চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ওক্রম ইবোবীসু সেন্ত্রেল পোলিটিক্সতা শরুক য়াখিদে। বি জে পিগী ওইনসু নেসনল পোলিটিক্সতা মমিং পন্নদুনা য়ং-য়ং লাউনা লৈবা মীওই অমত্তা থোরকপা উদ্রি। মরম অদুনা মণিপুরী মচাশিংনা করিগুম্বা চাওখৎ থৌরাংগী থবক অমা পায়খৎনবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী মতেং নীরক্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরকই। অদুবু অসামগী ওইনদি হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এদভান্টেজ অসামদা ইনভেষ্টরশিং অমসুং মালেমগী লৈবাকশিংগী মীওই কয়া শরুক য়াবা লাকখিবা অদু সেন্তরদা পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক্কী মঙালননি হায়বা য়াই। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, মণিপুরসু চাওখৎপা ষ্টেট অমা ওইহনগে, সেন্তরনা অমদি মালেমগী লৈবাকশিংনা শেল হেন্না থাদহনগে হায়বা তারগদি ঐখোয়সু নেসনল পোলিটিক্সতা য়াওবগী তঙাইফদবা লৈগনি খল্লি।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## মণিপুরগী গভর্ণরনা মণিপুর পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দতা অয়াবা য়াথং পীরিব্রা?

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**চৎলিবা** কুমজা ২০১৮গী ফেব্রুৱারী ৩গী নুংথিল পুং ২ অদুৱাইদা গভর্ণরগী কম্পাউন্দদগী অঙকপা ফংনা মৈখু থোরক্তুনা লম্বীদা চৎলিবা অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা মীশিংদা থোইদোক্না ঙাইহাক অকায়বা পীখি। মৈহৌ-লাংপোক থোক্লবোই নীংদুনা মীয়াম্না পাখৎনরমই। খঙহৌদনা মৈহৌ-লাংপোক থোকপা ওইরম্লগদি খঙদ্রে, উপায়সু লৈত্রে। মদু নত্তবিদা কম্পাউন্দ অদু লূ-নালহন্নবা হোৎনবদা থওইনা ফত্ত-হৌদিশিং মৈ থাদোক্তুনা পাইথোরক্লিবা মৈখুনা মীয়ামদা নুংঙাইহন্দ্রিবা অসি মণিপুর পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দ পান্নবিরিবা অঙম-অথৌশিং করিগুম্বা অমত্তা খঙহৌদ্রবা নৎত্রগা গভর্ণরনা মৈ থাদোক্লবা অয়াবা ওর্দর পীবা জাৎলা খঙজনীংই। মী খুদিংমক অরূবা ঈশিং থক্লিংই অমসুং অশেংবা নুংশিৎ হোন্নীংই। অৱাংবা থাক্কী মীওইশিংগী লৈফম ফাওবদা অসুম্না পোল্যুসন থোকহল্লবদি অনেম্বা থাক্কী মীওইশিংগী মফমদদি কনানা করি হায়বীগনি। য়াম্না থাজদবা সিন অদু উরুবদা ঙক্তবা ঙমদদুনা হাজয়বনি। মতুংদদি অমুক্তা মৈখু য়াম্না থোকহন্নবগী মৈ থাবগী চৎনবীশিং অসি চৎন-কাঙলোনগী মতেং লৌদুনা থিংবা মতম হেক্কে দাকনা য়ারে।

*অদোমগী - ডা. এন জি মঙ্গি*
*সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৫

১। মখাদা পীরিবা ৱাহৈ অনীসি মীতৈ থাচৎকী অরিবা মমিংশিংনি। হৌজিক্কী মমিংদা ওন্থোকউ : (ক) থবি (খ) চিনবী

২। ‘‘চরুগী মী/মশাসু চরুনা শাবা/মকোকসু চরু ঙাক্তা ঙায়বা’’ পরেংশিংসি ‘চরুগী মী’ কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। ‘‘তারিবরা হিংচাবী/নঙগী রাজকুমারদো ডাক্তর নুপী অমগা লুহোংখিদৌরে।’’ পরেংশিং অসিনা মোইরাংথেম রাজেন্না ইবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। ‘‘অফাবা মশমদু তনখোম খোমগৎতুনা চেৎনা পুনশিনখি। মিৎনা কূপ্পদা...থাঙদু লৌরগা...মপূরোইবগী মথবাক্তা থূম্না থিংজিনখি।’’ পরেং অনীসিনা ‘পনখৈদুগী ৱাংমদা’ কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। তেলেগু কবি এন গোপিগী শৈরেং লাইরিকপু মণিপুরীদা ‘মতম্মু ঐনা তূমহল্লোই’’ হায়না হন্দোকখ্রে। হন্দোক্লোইদু কনানো?

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**

# লৌমীশিংগী কাখল

## পান্বীবু মাঙহন তাকহল্লিবা ‘মীওইবা’

## (*Human being as a Pest*)

### ডা: এম থোইথোই সিংহ

**মখল** কয়াগী পান্বী থানরিবা মীওইশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং মথং মথং ইবদা লোইবা নাইরোই, য়ামখ্রে। লায়না তীলনা খক্কী খন্নবা মতমদসু পান্বীবু মাঙহন-তাকহল্লিবা পোৎশক খরগী মমীং পল্লবদা কোকফাই, বেক্টেরিয়া, ভাইরস, নেমাটোড, নাপী, তীল, উচি, উচেক, শা-ষণনচিংবা কয়া অমনি। চিথবসু য়াওরি। অদুবু ইষ্খোল কোয়রিবা মীওই নৎত্রগা মাবু মতেং পাঙলিবা মীওইশিংদুনা লৌফম নৎত্রগা ইষ্খোলদুদা মাঙহল্লিবা কয়াবুদি পন্নদে। থোইনা খন্থনরুদে। খ্বাইদগী হেন্না পান্বীদা লায়না শন্দোক্লিবা নৎত্রগা পান্বীগী ফিসিওলোজিকেল দিসওর্দর (পান্বীগী শাহৌদা অকায়বা) থোকহল্লিবদি মীওইবা (লৌমী নৎত্রগা মাবু মতেং পাঙলিবা মীওইশিং) নি।

বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা লায়না কয়া অমা তীলনা শন্দোকই হায়বা খঙনৈ। বেক্টেরিয়ানা নারবা পান্বী অমগী মনাশিং তীলশিংনা চারুবা নৎত্রগা চিক্লুরবা মতুংদা মশা ফরিবা পান্বী অমগী মনাশিং নৎত্রগা পান্বীগী শরুক অমা অমুক চারুবদা তীলদুগী মচিন্দা বেক্টেরিয়া কয়া য়াওরকপদগী নাদবা পান্বীদুদা অমুক লায়নাদুমক শন্দোকই। মসিদি মতম চঙই; লৌপাক্তুমা লায়নাদুমক শিন থুংনা শন্দোকপদা নুমিৎ কয়া অমা চঙগনি। অদুবু লৌমীদুনদি লায়নাদুমক পুং অমা অনীদা লৌপাক্তুমা শীন থুংনা শন্দোকপা ঙম্মী। খুদম ওইনা খামেন অশিনবা মহৈদু চাওননবা, নুংশিৎ নুংশা ফংননবা অমসুং অতৈ মরম কয়াগীদমক খামেন অশিনবা পান্বীশিংগী পামদবা মশাশিং কাটিনা ককথৎনবা য়াওই। ভাইরসনা নৎত্রগা বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা মনা কোনশিনবী, কুরু তাশিনবী নৎত্রগা মনা ঙাংশিনবী লায়না তারবা পান্বী অমখক কাটিনা কক্লুরবা মতুংদা অতৈ নাদবা পান্বীশিং কক্লকপা মতমদা কাটিদুদা য়াওরক্লিবা ভাইরস নৎত্রগা বেক্টেরিয়াদু মশা ফরিবা পান্বীশিংদুদা মথং-মথং য়েন্থোকই। ইষ্খোল মপাক্তুমা পুং অনী অহুমগী মনুংদা লায়নাদুমক শিন থুংনা শন্দোকই।


নিংথম থাদা কোবী থানৈ। মরোন অহুম্লক ফৈদোম থুগাইদনা থানবসু য়াওরি। কোবী ককপা হায়বসি অচৌ অচৌবা মরক মরক্তগী খল্লগা কক্লে। কক্লবা মতুংদা মখা তাবা মনা নৎত্রগা ফত্তবা মনা মফমদুদা অদুম হুন্দোকই। মথংগী মরোন থারকপা মতমদা হান্নগী পান্বীগী লেমখাক্তা লৈহৌরিবা লায়নাশিং মথংগী মরোন্দুদা য়াম্না থুনা শন্দোরকই। খুদম ওইনা মনাদা অমুবা দাগশিং লৈবা খূৎনা নানবদা অমুবা অকুপ্পা কোকফাই মরূশিং খূৎতা নপ্লকপা মখলগী কোকফাই লায়নাশিং য়াওরবা, লৈবাক্তা তাদুনা লৈরিবা মনাশিং খোঙনা নেৎ-নেৎতুনা পুরগা মফম শীন থুংনা শন্দোকই। অদুবু লায়নাসি নুংশিংনা শন্দোকপদদি য়াম্না তপ্পী।

অথাপ্পা মফমদগী ইশানা পামজবা পান্বী নৎত্রগা চারা কয়া পুরক্তুনা ইশাগী ইষ্খোলদা থাবা মতমদা পুরক্লিবা পান্বীদু লায়না চেনবা ওইরবদি ইষ্খোলদুদা অনৌবা লায়না অমা ইশানা মীং চনশিনবীবগুম্বনি। অহিংবা জীব নৎত্রগা হিংকুপশিংনা লায়না তীলনা শন্দোকচবদগী মীওইবনা শন্দোকপীবনা হেন্না থুনা য়াঙনা শন্দোকপা ঙম্মী।

লায়না নৎত্রগা তীলনাগীদমক ঐখোয়না হীদাক কাপ্পী। করম্বা মখলগী লায়না নৎত্রগা তীলনাগীদমক করম্বা মখলগী হীদাক কয়া য়াম্না কাপকনি; করম্না য়ানগনি, নুমিৎ কয়ানি কান্নহনগনি; করম্বা মওংদা কাপকনি হায়বা হান্না খঙদোকপা চঙই।

নোজল শীজিন্নবগী মওং : নোজল অমসুং হীদাক পালহনগদবা পান্বী অনীগী থাপ্নবা অমসুং মতম খঙনা কাপ্লবদি হীদাক্কী কান্নবা চপ চানা ফংবা য়াই। অদুবু মীওই খরখক নত্তনা অয়াম্বনা হীদাক চুম্না শীজিন্নবা উদে। অসুম্না হীদাক লান্না শীজিন্নবনা পান্বীগী মশা হেন্না শোকচিলহল্লি। পোথোক হন্থে।

তীলনা নৎত্রগা লায়নানা পান্বী মাঙহনবদগী ঐখোয় মীওইবনা হীদাক লান্না শীজিন্নরগা পান্বীবু মাঙহনবনা য়াম্না হেল্লি। মতম অমদা ফৌগী মরুওইবা তীল ওইনা লৌরমদবা হোপ্পর্স (লান্না ৱাহিক হায়নবা) হাৎনবা Synthetic Pyrethroid শিং য়াম্না পাম্না কাপ্নখিবদগী ঙসিদি হোপ্পর্স লাক্লবা ৱারে। অকক্লবা তীলগীদমক নৎত্রগা লায়নাগীদমক হীদাক ওন্ননা শীজিন্নবগী অমাঙবা হায়বসি মাঙলবা মতুংদতা খঙই। অফবা হীদাক ওইরবসু শীজিন্নফম লাল্লবদি অকায়বা ওই।




করম্বা পান্বীগী করম্বা তাঙ্কক্তা ঈশিং পীগদগে অমসুং করম্বা মতমদা ঈশিংগী চাং হন্থনা থমগদগে হায়বদু কূপ্না নৈনবা, খঙবা চঙই। নৎত্রবদি পান্বীশিং মশা শোনবা, মওং চুমদবা, শাহৌ ফত্তবা মরম্না পোথোক হন্থগনি। চপ মান্নবা মওংদা হার হাপ্পগী মওংসু শোয়বনা পান্বীশিং মশা ফত্তে। মশা ফত্তবদগী ফিজিওলোজিকেল দিসওর্দর ময়াম অমা থোরক্কনি। মতুং তারকপদা পান্বী থাবা, ইষ্খোল কোয়বগী থবক্তা তন্থরকপা লাকই।

অসুম্না পান্বীবু মাঙহন তাকহনবা ঙম্বা জীবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শাথিবা অমা খনবা তারগদি মদু মীওইবনি হায়জনীংই।

# ওর্গানিক ফার্মিংগী মায়কৈরোমদা

### এস সুমঙ্গল সিংহ

**ঐখোয়গী** লৈবাক্তা ঐখোয় মীওইবগী চাবা অমদি শেৎপা অমদি ঐখোয়না লোইরিবা শা-ষণশিংগী চাবা কোন্নবনা হৌখিবা চহী ৩০-৪০ নৎত্রগা ৫০ মুকসিদা লৌউ হীদাকশিংগা (হার অমদি তিলহাৎ হীদাক) লোয়ননা অনৌ-অনৌবা চাথোক লৈবা পান্বী মখলশিং অমদি অনৌবা লৌউ পথাপশিং লেপ্পা লৈতনা শীজিন্নদুনা লাক্লি। চাথোক হেনগৎহনবখক্না হায়রিবা হীদাকশিং অসিগী মরুওইবা পান্দমসু ওইখি। লোয়ননা মসিগী কান্নবসু অদুমক ফংদুনা লাক্লি। হায়রিবা হীদাকশিং অসি নত্তনদি চাবা, থকপা, শেৎপা কোন্নবা ঙম্লোই হায়বগী ৱাখল্লোন অসি অদুমক ঙসি ঙসিমকসু ঐখোয় অয়াম্বগী ৱাখলদা লৈরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অদুমকপু হৌজিক্তি ফনা হার হাপ্পুনসু, তীল হীদাক শীজিন্নদুনসু চাথোক হেনগৎপা ঙম্লক্তবা অমদি তীল-কাংশিংদগী মাঙ তাকপা হন্থহনবা ঙম্লক্তবা অসিসু অচৌবা ৱাফম অমা ওইরক্লি। অসুম্না লেপ্তুনা চঙশিল্লকপনা ঙসিদি হায়রিবা থৌওং অসিগী মনুংদা হার অমদি তীলহাৎ হীদাকশিং অসিগী কাঙলোন কায়না অমদি হেঞ্জিন্না শীজিন্নবগী থৌওং অমদি অতৈ অতৈ মরম কয়ানা ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভমদা পীরকপা অকায়বা অহোংবা অসিসু নোংমা নোংমগী ময়েক শেংবা হেনগৎলক্লি। মতমসিদদি য়াম্না মরু ওইনা লৌনরক্লিবসি অকোয়বগী ফীভমদদা নত্তনা ঐখোয় মীওইবা অমদি শা-ষণশিংগী মশা মঊ ফনা হিংবদা কিনিঙাই ওইরক্লিবা অমদি তুং কোয়বা লৌউ-শিংউদা শিংনরকপা অসিনি হায়বা তাই। ঙসিদি চাথোক হেনগৎপা ঙম্লক্তবা অমদি তীল কাংনা মাঙ তাকপা হন্থহনবা ঙম্লক্তবা ফীভমশিং অসিনা মরম ওইরগা অসুম্না অসুম হায়রিবা হীদাকশিং অসি লেপ্তুনা অদুমক শীজিন্নদুনা লৈখিগদ্রা নৎত্রগা অতোপ্পা লম্বী থিবনা চুম্লব্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইররে।

লৌউ হীদাকশিং অসিগী মরমদা মরুওইবা ৱাফম খরদং খঙজিনমিন্নবা কান্নগনি খল্লি। খরদং থমজরি।

অমরোমদনা অমুক অনৌবা চাথোক লৈবা পান্বী মখলশিং লমদমসিদা পুশিল্লকপা, মখোয় শীজিন্নদুনা লমদমসিগী পান্বীশিংগা চারৌ মৌরৌনহন্দুনা অনৌবা মখলগী চাথোক হেন্না পুথোকপা ঙম্বা মখল কয়া পুথোরকপগা লোয়ননা অহেনবা মচিঞ্জাক পীবা তারকখি। খূৎশেমগী হার শীজিন্নবা নত্তনা উপাই লৈখিদে। অনৌবা ফীভম অমদা পান্বীশিং থারকপগা লোয়ননা মখোয়গী য়েক্লবা লায়না তীলনা কয়া অমা থেংনবা হৌরকখি। মসিনা মরম ওইরগা মখোয়দগী ঙাকথোক্লবা তীলহাৎ হীদাক কয়া অমা শীজিন্নবা মথৌ তারকখি। লোয়ননা শীজিন্নরকখি। মসিগীদমক হীদাক লাংথক্কী ইন্দষ্ট্রি কয়া মরু ওইনা চাওখৎপা লৈবাকশিংদা লিংখৎপা হৌরকখি। মতমদুদা মখোয়দগী হীদাকশিং পুশিল্লক্তুনা শীজিন্নবনি ঐখোয়গী লৈবাক্না তৌরম্লিবসি। হৌজিক্তি ঐখোয়গী লৈবাক্তসু অসিগুম্বা ইন্দষ্ট্রি কয়া অমা লিংখৎতুনা লৈরে। মসিগী শাথিবা খুদোংথিবা থৌদোক্তি ভোপাল গ্যাস য়ুরকপগী থৌদোক অদুমকনি। পান্বীগী মচিঞ্জাক পীনবা হীদাক মখল ১৫০-২০০ রোমগা লোয়ননা লায়না/তীলনা/নাপী হাৎনবা হীদাক মখল ৬০০ রোম পুথোরকখি। দি দি টিগী কান্নবা অমদি খুদোংথিবদি ময়াম্না হেন্না তানরবা ৱাফম ওইরে। মতাং অসিদা হার অমসুং তীলহাৎ হীদাক্কী মরু ওইবা ৱাফম খরা মখাদা থমজরি।

হার :- ১) (এফ এ ও ২০০২) গী মতুং ইন্না হারগী কান্নবা খঙলকপগা লোয়ননা মসিগী শীজিন্নবগী খ্বাইদগী অৱাঙবা থাক য়ৌখিবসি কুমজা ১৯৯৯-২০০০ ফাওবগী মনুংদনি হায়না পানৈ।

২) মালেমগী ওইনা চাদা ৫৩গী চাংদি এসিয়ান লৈবাক মরুওইনা চাইনা অমদি ইন্দিয়াদা শীজিন্নৈ হায়না পানৈ।

৩) জপান, কোরিয়া, সাওদি অরাবিয়া নত্তনা এসিয়াগী অতৈ লৈবাকশিংদা হার শীজিন্নবগী চাং অদুমক ৱাংনা লৈরি।

৪) হৌখিবা চহী ২০ লোমসিদা চাইনা, ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টান অহুমসিনা হার শীজিন্নবগী চাং খঙৱাং ৱাংখৎপা হায়বদি (তপ্না তপ্না নত্তবা) থেংনরি।

৫) অমরোমদনা জপান অমসুং কোরিয়াদদি হার শীজিন্নবগী চাং অসি মথংশিংনা চাদা ২৪ অমসুং ২৭ হন্থরকপা থেংনরি। মসি মখোয়গী চেকশিনবা হেনবা ৱাখল্লোন অদুননি হায়বা তাই।

৬) য়ুরিয়া অমদি অতোপ্পা নাইট্রোজেনগী হারদগী পান্বীনা শীজিন্নবা ঙমহৌবসি চাদা ৪০-৫০ রোমদনি হায়না পানৈ। অরেম্বা নাইট্রোজেনগী শরুক্তি মথং মথং চেন্থ-চুমথখিদুনা অদুমক ঈশিংগী ঈপাকশিং নৎত্রগা লৈনুংগী ঈশিংদা তিনখি। লোয়ননা ঈশিংদা নাইট্রেদকী চাং হেন্না য়াওদুনা মোৎশিল্লক্লে (পোল্যুসন) হায়নরিবসিনি।

৭) অশিনবা হেনগৎহনবা হার মখলশিং খুদম ওইনা য়ুরিয়া, দি এ পিনচিংবা চাইবনা লৈবাক লৈহাও শিনবগী চাং হেনগৎহন্দুনা অকায়বা কয়া পী।

৮) শীজিন্নবা লায়বা হেনবা মরম্না হান্না শীজিন্নরম্বা পোৎচাউ পোৎলুম ওইবা ওর্গানিক্কী হারগী (ষন্থি-ষণয়ুং, কম্পোষ্ট) মহুত্তা খূৎশেমগী হার (কেমিকেলগী হার) হেন্না শীজিন্নরকই।

৯) হারশিংদা য়াওবা পান্বীগী মচিঞ্জাক মচল অসি তোঙান তোঙানবা পান্বীশিংগী নৎত্রগা লৈবাক লৈহাওশিংদা অৱাৎপা চাংদা য়ান্দুনা শারকপা ৱাৎপনা/নত্তবনা হায়বদি খুদম ওইনা এন পি কে ১৯:১৯:১৯; ১০:২৬:২৬; ১৫:১৫:১৫; ১৭:১৭:১৭ অসিনচিংবা মওংদা শারকপনা পান্বীনা চপ চাবা চাংদা লৌশিন্দুনা অহেনবা অদু লৈবাক্তা তুংশিলহৌবা নৎত্রগা অরেম্বদা পোলুটেন্ট ওইখিবা থোক্তবা নত্তে।

তীল হীদাক : তোঙান তোঙানবা মওংগী ওইবা তীলহাৎ হীদাকশিংগী অমাঙবা কয়া অমনি। মখোয়শিং অসিনা ঐখোয় মীওইবগী হকচাংদা চঙখিবগী মওং অমদি মখোয়না হকচাংদা মাঙহনবগী খুদম খরা থমজগে।

১) হকথেংনবদা : য়ানুংদা চঙদুনা য়োৎশিনখিবা, শ্বর হোনবদা, হকচাংদা থেংনবদা (মিত্তা, উনশাদা) মসিগী ফলনা- শিবা, উনশাগী লায়না, কোক ঙাওবা, ওনীংবা, অরুম্বা হন্থবা, পি-পাগী পাঙ্গল শোন্থবা অসিনচিংবা থোকহল্লি।

২) নাকোয়নবদা : ক) চিঞ্জাক্তা - হীদাক য়াওরবা চিঞ্জাক চাবদা; হীদাক য়াওরবা চিঞ্জাক মথং-মথং য়াওরক্তুনা ঐখোয় মীওইবা য়ৌরকপা (ফুদ চ্যেন)।

খ) নুংশিৎতা গ) ঈশিংদা :

নাকোয়ননা হীদাকশিং অসিনা হকচাংদা চঙখিবগী ফলনা - উনশাগী লায়না, অঙাং পোক্তবা, খোঙ-খূৎ শোয়নাইবা, অরুম্বা হন্থবা, পারি-পুরিদা (হেরিদিটি) শোয়থরকপা, অঙাং লাইয়ৈ চৎপা, নীংশিংবগী পাঙ্গল হন্থরকপা, ৱাখল খন্থবা ঙম্লক্তবা, ট্যুমর, অলসর, কেন্সর অসিনচিংবা থোকহনবা।

ঐখোয় মীওইবদদা নত্তনা অতোপ্পা কান্নবা অমসুং কান্নদবা থৱায় পানবশিংদসু মাঙহন তাকহল্লিবনি। মসিনা মরম ওইরগা অকোয়বগী ফীভম অমদি অহিংবগী থৱায় পান্দবশিংগা লৈনরিবা মরীদা (ইকো সিষ্টেম) কায়হল্লে হায়নরিবসিনি।

মথক্তা থমজরিবশিং অসিগী খুদম চাংদম, ওইরকপগী মরম কয়া অমনি। মরমশিং অসি লৈবা মরম্ননি ঙসিদি ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিন্নরক্লিবা।

ওর্গানিক ফার্মিং হায়রগা ইচম চম্না খন্নরবদা - মহৌশাগী ওইবা পোৎলম ঙাক্তা শীজিন্নদুনা হায়বদি রসায়নগী (কেমিকেল) ওইবা পোৎলম অমত্তা শীজিন্নদনা অকোয়বগী ফীভম শোকহন্নদনা হূ চেন্দবা লৌউ পোথোক পুথোক্তুনা তুং কোয়বা লৌউ কাঙলোন ওইনবা মওংদা লৌউ-শিংউ পাঙথোকপা অদুবু ওর্গানিক ফার্মিং হায়না খঙনৈ। তোঙান তোঙানবা মওংদা মসিগী ৱাহন্থোক পীনরবসু থমজরিবা অসিনা ইচম চম্না থমজবনি।

হায়রিবা লৌউ কাঙলোন অসিনা লৌউ পোথোক পুথোকপা মতমদা চাথোক হন্থবনা মরম ওইরগা চরা হেনগনি নৎত্রগনা মমল হেন্না য়োনবা য়ারবসু পূন্নমক্না পুথোক্নরক্লবদি চাথোকসু হন্থবা, মমলসু হন্থবা পূন্নমক মাঙমিন্নরনি হায়বগী অকিবা অদুনা মরম ওইরগা ওর্গানিক ফার্মিংগী অকিবা পোক্নরি। অমরোমদনা অমুক ওর্গানিক ফার্মিংগী য়াবা য়াদবা, সার্টিফিকেসনগী অকক্লবা কাঙলোন কয়া অসিনা মরম ওইরগা অশেংবা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা চঙশিনবদা অপনবা ওইরি। অসিমক্তি নত্তে হায়না থমজনীংই। মাগী মাগী খুদোংচাবা য়েংদুনা চানবা মখলগী পান্বী থাদুনা চানবা মখলগী কাঙলোন শীজিন্নদুনা তুং কোয়বা লৌউ কাঙলোন অমদা চঙশিনবা অদুনি মরু ওইরিবদি।

হৌজিক্কী মতমদদি তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া অমা থোরক্লিবা অসি শীজিন্নদুনা ওর্গানিক ফার্মিং মায় পাকপা য়াবা কয়া অমা লৈরে। ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং হায়রিবা অসিমক মায় পাকপগী অচৌবা খুদম অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অনৌ অনৌবা বাইওগী ওইবা অমদি পান্বীদগী শুংবা (বোটানিকেল) হায়বদি হূ চেন্দবা তীলহাৎ হীদাকশিংগা লোয়ননা লৈহাও হেনগৎহনবা ঙম্বা লৌউ হীদাক কয়া অমা থোরক্লে। হায়রিবা হীদাকশিং অসি শীজিন্নদুনা কম্পোষ্টিংগী অরায়বা অমদি মগুণ হেন্না চেনবা কম্পোষ্ট শেম্নবগী মওং কয়া লৈরে, শা-ষণ কয়াগী মথি ময়ুং খুদম ওইনা য়েনগী, ওক্কী মথি-ময়ুং মরাং কায়রে। মাঙহল্লিবা পোথোক্কী লেমহৌখাক খুদম ওইনা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহল্লিবা চরু কয়া অসিনা লৌফম্বু মশা ফবা লৌফম ওইহন্দুনা তুং কোয়বা লৌউ ওইহনবা ঙম্লোইদবগী ৱাফম লৈতে হায়জনীংই। ৱাৎলিবা হায়ববু ঐখোয় মীওইবগী ৱাখল্লোন মঙায়রে।

থমজরিবা খরা অসি খন্থমিন্নরগা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিন্নবা হোৎনরসি।